# সেন্দ্রাগী ফজবা শক্তম, থাঙ্গ-মোইরাংগী নত্তে মণিপুর ইমাগী লননি

— অমরজিৎ খাঙেম্বম —

***হৌজিক্তি*** চাওখৎলবা মতম হায়বদু ওইরবনিনা মীওইবা ঐখোয়না হিংনবা হোৎনবদা নুংঙাইনবা হোৎনবা ঙাক্তনি। নুংঙাইবা হায়দু ওইরদি নুংঙাইতবা হায়সু অদুম মরাকই। মসিদি নুংঙাইবগা অৱাবগা মচিন মনাওনি হায়নরিনি অদুনা থাদোক্লবা শৎ হেক্তা য়াদে। অদুম ইরোইননা চৎমিন্নদৌরিনি অৱা নুংঙাই অনীসি। ইরমদম মণিপুর অসি সনা লৈবাকনি হায়নরিনি। চীংনা কোয়না পনশাবা চীংমীনা কোয়না পনঙাকপা মণিপুর ইমাগী লমদমনি শোন্নরিবনি। নিংথিরবী ইমাগী তম্পাকথক্তা কোলোই মিংলেন মোইরাংসু অমনি। মণিপুর ইমাগী পুৱারী থিগৎলুবদা অমদি পোক্লফম লমদম ইমাগী ফজবা শক্তম লাকপদা শুংয়ামক য়াওদ্রবা য়াদ্রবা মালেম মোইরাং লমদমনি। মণিপুর ইমাগী ফজবা শক্তম য়েংলবসু মোইরাং লমদমগী ফজবা কয়া অসি য়াওদনা মণিপুর ইমাগী ফজবা শক্তম তাকপদা কদাইদনো চিথবা অমা লৈহৌরে শোয়দনা হায়নরক্কনি। লমকোয়বা কয়াগী পূক্লিং চিংশিনফম মিৎফম হোংবা য়ারোইদবা নুমিৎনা ইরোলনুংদগী থোরকপগুম লাক লাক লাওবা লোক্তাক্কী নিংথিজবা, লোক্তাক ঈয়াইদা লেপ্লিবা পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা কাওঙমদ্রবা চীংদুম মচা মচানা মোং হাদনা তুমিন তুমিন লেপ্তুনা লৈরিবা কয়া অসিগী মিৎফম হোংনিংদ্রবা শক্তম, অতাওবা ফুমদি মথক্তা চাক্তারিবা শঙাইগী ফজবা, চীংনা কোয়শিল্লগা ঙাক শেন্দুনা থল্লিবা লৌকোই পাৎকী শক্তম পুৱারীগী ওইবা লাইফমলেন কয়া শাগোন্নদুনা লৈরিবা অমদি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা ইন্দিয়ন নেসনল আর্মিগী লুচিংবা নেটাজি সুভাসচন্দ্রগী মীত্তম কয়াশিং অসিননি অতোপ অতোপ্পা লৈবাক কয়ানা খোঙদারক্তুনা মণিপুর ইমাবু শক্তাকপদা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমজরিবসি। পূম্নমক মণিপুর ইমাগী লন ঙাক্তনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী ওক্টোবর ৮ দা লেক্তোক ফেষ্টিভেল পাঙথোকপগী বেনরদা থাঙ্গ শেন্দ্র হায়না থারুবগী ৱাহৌদগী ঈরাং অসি লাকখিবনি। অসুক কুইবা লোক্তাক ফেষ্টিভেলদদি নোংমতা থারুদ্রগা হন্দক পাঙথোকখিবা লোক্তাক ফেষ্টিভেলদা হেক্তা থানিংলক্লিবসিনা করম্বা খোঙথাং অমা থাঙ্গ মীয়ামদা লৈবগীনো। মরু ওইনা সেন্দ্রাগী চীংখোঙদা খুন্দাশিল্লক্লিবশিং অসি থাঙ্গ এসেমব্লি কন্সটিট্যুসনগী মনুংদা চল্লি হায়বগী ৱাফম অমসু য়াওবগুম তৌরি। তশেংনা ষ্টেট লেন্দদা লম খোপচিন্দুনা যূম শাজিল্লগা লৈখিবা ঙাক্তনি। মৌ অনৌবীনা ময়ূম পাল্লক্লবা মতুং ফাওবা লৈশারিঙৈগী যূম্নাক শাগৈদু ওইবদি খক য়াগদবা চৎনবা য়ারোই হায়বা অমসু লৈবনি। লৈঙাক্লা মদু য়ারোই হায়বগীনি হন্দক অশোক অপন কয়া অমা য়াওনা তকখায়খ্রিবদু। অশোক অপন য়াওখিবশিং অদুগীদমক্তসু নুংঙাইজদে।

থাঙ্গ এসেমব্লি কন্সটিট্যুশনগী মীহুৎসু ৱা অমত্তা হায়দ্রিবনি মরমদি লৈঙাক হায়বসিদা মহাক মশা য়াওরিবনি। অদুগা হৌজিক থাঙ্গনা সেন্দ্রা মখোয়গী লমনি, মোইরাংনসু সেন্দ্রা মখোয়গী লমনি হায়দুনা য়াম্না কন্না য়েৎনবা অমা লাক্লি। মসিদা মাগী মাগী অনিংবা অপাম্বা ফোঙদোক্লদুনা চুম্মী লাল্লি খঙদবা ৱাহৈ খরনা খৎন-চৈনদুনা খুঙ্গং অনী অসি নুংশিনদ্রে, সেন্দ্রাগা মোইরাংগা ফাওনরিবা পাৎকী লম্বী




থোনখিবা অসি মাসুনি, ঐসুনি পংচোংদা চোংথোক্লরক্লি। কনানা চুমদৌরি, কনানা লান্দৌরি খঙদে। মোইরাং সেন্দ্রা লম্বী থোনখিবা মীসি ফনদি য়ামশিল্লক্লে। ফজববু পামদবা মী কনাসু লৈবুদি লৈরম্লোই। লম কোয়বা কয়াগী পূক্লিং চিংশিনফম মফম ওইবনিনা মাগী মাগী লোইনা ওইনিংবগী মরৈনি য়েৎনরিসি। অদুবু য়েৎনরিবা খুঙ্গং অনীনা খঙগদবদি অদোম অদোম্না হেক লৈরিবা যূম অদুসু গভর্ণমেন্টদা খাজনা থিরিবনি হায়বসিদং কাউবিদবা ফৈ।

সেন্দ্রাদা মোইরাং চঙবা য়াদে হায়রকখিব্রা থাঙ্গনা অদুগা মোইরাংনা সেন্দ্রাদা থাঙ্গ চৎলক্কনু হায়রকখিবা য়াওব্রা। সেন্দ্রা টুরিষ্টতা লম কোয়বা কয়াদগী কারক্লিবা ইনকম মোইরাংনা লৌরম্লোই গভর্ণমেন্টদা লোইনা কাগদবা ইনকম ঙাক্তনি। সেন্দ্রাগী ফজবা ঐগী যূমগী শুমাংদা পুশিন্দুনা থম্লবসু মদুগী ইনকম খুদিংমক লৈঙাক্তা লোইনা কাখিগদবা ঙাক্তনি। হৌজিক চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না ফজবা ওইগেরা ফজদবা ওইগেরা পূম্নমক মণিপুর লৈঙাক্লা মসিগী মপু ওইদুনা থৌদাং লৌরকখিবনি। সেন্দ্রা মোইরাংনা যূমথোং খুদিং পৈশা খায়নরগা শেমজিন শাজিনখিবা নত্তে। সেন্দ্রা ফজনবা হোৎনবদা মণিপুর লৈঙাক্ল া শেল থাদদুনা শেমখিবনি। থাঙ্গনা যূমথোং খুদিং পৈশা খায়নরগা সেন্দ্রা শেমগৎখিবসু ওইরম্লোই। করিগী য়েৎনফম থোকপগে সেন্দ্রা ঐখোয় খুদিংমক্কী লম কোয়বা কয়াগী মফমদা ইমায় ওইরিবা লমদম অমনি। ঐখোয় খুদিংমক্কী অশেংবা লন ওইরিবা অসিগী মরৈ তৌনদুনা মুন্নবগী কান্নবা করিনো?

ফরেনে মুন্নরে হায়নসু খল্লসি অঙম্বা অমা য়াওরে হায়নসু খল্লসি। সেন্দ্রাদি মণিপুর লৈঙাক্কী অদুম ওইখিনি মসিদা মুন্নরুবগী কান্নবা করিনো। মুন্নরুবগী পাঙ্গল খক্তনি ময়েং তাহৌগদবা, মহয়না মণিপুর লৈঙাক্লা চাখিদৌরিনি। অদুগী মহুৎ মণিপুর ইমাগী ঙমখৈ শোকপা য়ারোই অমদি মীতোপ্তা পীথোক্লোই হায়দুনা অচেৎপা ফীরেপ অমা লৌবগী ঈহৌ ওইনা চঙশিনমীন্নবনা হেন্না ফরোইদ্রা?

অমগী ৱা লৈতে অমগী ৱা নত্তে মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংদ্রিঙৈ মমাঙ মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরসি মাইরেম্বম কোইরেংনা ওইখি। হায়রিবা মোইরাং সেন্দ্রা ফাওনরিবা কংফাল লম্বী অসি মশামক য়াওনা থোনখিবনি হায়বগী ৱাফম মোইরাংগী মীয়াম্না পুথোরক্লি। মতমদুগী লুচিংবদু লৈখিদ্রবা ইপু কোইরেংনি। অদুনা হন্দক পাঙথোকখিবা মোইরাং কোইরেংগী ১০০ শুবা বার্থ এনিভর্সরি থৌরম পাঙথোক্তুনা হায়রিবা লম্বী অসি কোইরেং রোদ হায়না থোন্দুনা হৌজিক কোইরেংগী মীতম ফাওবা খিনখ্রে। মসিদা ঐনা হায়নিংবদি লমদম অসিগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এনা হন্দক থাঙ্গ মোইরাং অনীনা সেন্দ্রা ঐখোয়গীনি নোইগী নত্তে য়েৎনরক্লবা মতমসিদা নংহৌররোই হায়বগী মতাগুম অসুক মরু ওইখ্রবা মতিক মগুন লৈখ্রবা মী অমনা হোৎনবিরম্বা হিষ্টোরিকেল প্লেস অমবু উবিরমদবসি লানবুংদা শগোল ৱাইবগী থৌদৌ অমনি হায়নীংই। লৈখিদ্রবা লৈবাক্কীদমক্তা খনবা কোইরেংগী মপোক কুমওন ফাওবা মশীং ১০০ শুজিল্লক্লবনি। অসুক কুইবা মতম অসিফাওবা তুমিন্না লৈবিরল্লিবা মোইরাংগী মীহুৎ ওইখিবা খুদিংমক লোইনা ৱারৌরোইদবগী মরম লৈব্রা?

কুমজা ১৯৬৪ গী রেকোর্দকী মতুং ইন্না সব দিভিজন মোইরাংগী মেপতা মোইরাং অসি পার্ট ১ ভিলেজ নম্বর ৫২, পার্ট ২ ভিলেজ নম্বর ৫৩ হায়বা অনী থোকই। পার্ট ১ গী পাকপা চাওবা এরিয়া অসি ১১৩৭.২৭৫ (এরিয়া হেক্তর) মসিদা সেন্দ্রাসু কোনশিল্লি। হায়রিবা মোইরাংগী মেপ অসিগী ঙমখৈ অসিগী মনুংদা লৈবা খুঙ্গং খুদিংমক মোইরাংগী ওইফম থোকপনি। অদুনা মোইরাং সেন্দ্রা হায়বদা অকায়বা লৈতে। মসিদি সেট্টলমেন্ট ওফিসকী মেপতুগী রেকোর্দ মতুং ইন্না হায়বনি। অদুগা থাঙ্গ অসি ভিলেজ নম্বর ৬৫ নি। এরিয়ানা ৮৯২.২২০ (এরিয়া হেক্তর) নি। মোইরাংগা পাকপা চাউবা য়াম্না খেন্নবসু ওইরি। লৈঙাক্কী মেপ অমবু তুংওইনরগা নক্লবনা, যূমথংনবনা ওইগদবনি হায়রগদি ময়াং ইম্ফালগা করাংগা য়াম্না নক্লবা মরম্না ময়েং ইম্ফালনা করাং মখোয়গী ওইগদবনি হায়রক্লদি থাঙ্গনা য়াবা ঙমগদ্রা। মরমদি থাঙ্গগা করাংগা নক্লবদগী ময়াং ইম্ফাল করাংগা নক্লবনা হেল্লি।

অমরোমদা হৌজিক মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুসনগী মনুং চল্লিবা ফুবালাদা লৈত-লায়র যূম লৈজদবা কয়াগী হট দ্বেল্লর শাদুনা থম্বীরি। মসিদা লৈরিবা মীসু থাঙ্গ ঙাক্তনি ভোট থাদবসু থাঙ্গদা থাদরি। নোংমদি মসিসু থাঙ্গগীনি শোয়দনা হায়রকপসু য়ারি। অসিগুম্বা অসি থোক্তনবা লমদম অসিগী মীহুৎশিংনা চেকশিন্না য়েংশিলহৌবা চুম্মী। অদুনা লমগী পাকপা চাওবা, ভিলেজ মমিং থোনবগী থবক অসি এসেমব্লি কন্সটিট্যুসন্না লেপ্পা য়ারোই ভিলেজ ভিলেজদুগী মেপতুনা লম অদুগী পাকপা চাওবা এরিয়া খঙনরিবনি। অদুগা এসেমব্লি কন্সটিট্যুসনগী ওইনদি সেন্দ্রা হায়রিবা মফম অসি থাঙ্গ এসেমব্লি কন্সটিট্যুসন্না কোনশিল্লি। অদুনা মতম মতমগী মীহুৎশিংনা মাগী মাগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুসনদুবু চাওখৎ থৌরাং তৌনবগী থৌদাং লৌনরিবনি। অমরোমদা থাঙ্গগী মীহুৎনা তৌগদবা চাওখৎ থৌরাংদু মোইরাংগী মীহুৎনা তৌরকপনি। অমরোমদা থাঙ্গ মোইরাংগী মীচম মীয়ামগী য়াইফনবা চাওখৎ থৌরাং লৈঙাক পায়রিবা মীহুৎ অনী অসিনা তৌজরকপা ঙাক্তনি। অমনা তৌরসু অমনা তৌরসু চপ মান্নে মীহুৎ অনীমক পূন্না লৈঙাক পায়মিন্নরিবা ইমুং অমত্তগী মী ঙাক্তনি। অদুগা মোইরাংনসু মখোয়গী মেপতা মনুং চল্লি হায়বগীদমক্তা সেন্দ্রা মখোয়গী ওইগদবনি হায়রিবনি। হায়রিবা মেপ অসিগী মতুং ইন্না মোইরাং সেন্দ্রা অসিবু থাঙ্গ সেন্দ্রা হায়রকপগী ৱাফমদগীনি থোরক্লিবা ৱাফমসি।

মসিদনি লৈঙাক্লা ঙরাং নহানতা ষ্টেট লেন্দদা লম খোপচিন্দুনা লৈরক্লগা য়োংনা লৌ মপু তানবগী থৌদৌ তারকপগীনি তকখৎতনা তকখায়রকপনি লৈঙাক্লি। ভিলেজ অনী অসিবু ফাওনরিবা লম্বী অসিগীনি ঙসি লাইওইখ্রবা ইপা ইপু কয়া কৌথোক্লদুনা পুথোরক্লিবা। লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিং অদুনা খৎনৌ-চৈনৌ হায়বগী লম্বী অসি থোনবীরম্বদি ওইরম্লোই। নুংশি চান্ননা অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌনদুনা হিংমিন্নৌ হায়বগী শোয়দনা শেম্বীরম্বা লম্বী ওইরমগনি খল্লি। ফনা ফজবা সেন্দ্রাগী শক্তম ওইদুনসু থাঙ্গনা ওইবসু য়ারোই, মোইরাংনা লৌবসু য়ারোই। মপু অমা ইচাউ চাউনা লৈরিবনি। সেন্দ্রাগী চীংখোঙদা দুকান তৌদুনা হিংজরিবা মীওইশিং অসি মোইরাং থাঙ্গ পূন্না হিংমিন্নরিবনি। মোইরাং ফম্বা য়ারোই, থাঙ্গ ফম্বা য়ারোই হায়বা লৈতে। সেন্দ্রাদগী ইনকম ময়াম অমা ফংলবসু মোইরাংগী মীয়াম্না য়েন্নগদবা নত্তে, থাঙ্গগী মীয়াম্নসু লৌগদবা নত্তে। লৌগদৌবা মপু লৈঙাক অমা অসুক চাউনা লৈরিবসি কাউবীগনু। থাঙ্গ অমদি মোইরাংগী মীহুৎ অনীনা মীয়ামসি ৱাখল তাহনবা অমা ইচঙদা চঙই হায়জনীংই।

---

# নুমিৎ চয়োল তরেৎকী হৌরকফম

— মঙাংচা কৈসাম ইবোমচা —

**লাইনীংথৌ** সলাইলেল শিদবনা তম্পাক লৈনেমবু তাইবঙ চাদোল সুদোনশিংগীদমক্তা শেন্বীরগে নীংলদুনা পামেল উতুপ অমা ইদুনা লৈরিবা অদু ঈপাকথক্তা থাদরগা ৱাকয়ৈ উতুপ থক্তা তোংলদুনা কৌব্রু চীংদোলদগী লংমাইচীং তম্না ঈরাল্লগে হায়না লাইনীংথৌ সলাইলেলনে, লাইলেলপী লৈমলেল শিদবীনে - সরোই চনু অতোম্বীনে অহুম মানা চৈবী নৌরেল পায়দুনা হোল্লক্লে। অহুম মানা হি হি লাউদুনা হোনবদা ৱাকয়ৈ উতুপ য়াঙনা চৎলি হায়বগী হিয়াঙ হায়না কোলোইরে। অদুগা লাইজ ঈপাক অচৌবা অদুবু ৱাকয়ৈ হি অদুক চায়নরগা শমদুনা চৎলি হায়বগী হিয়াঙ সমচায়ক হায়না কোলোইরে। অসুম্না হিয়াঙ সমচায়বা তোংদুনা হোল্লকপনা লোইবী চীংদুম অমগী মখোঙ য়ৌরক্লে। লমলেল মফম অদুদা ঙাইহাক পুঙ্গৈই হিথাংলে। লমলেল লমদম অদুবু হিয়াংথাঙ হায়না কোলোইরে, লৈমরেল শিদবীনা সাইওনবী ঈরৈমা লাইলেম্বী ইমা মাগী মকাইফম ওইহনবীরে। হয়েং তাইবঙ চাদোন শুদোনগী ইরম খোংলম চুমলক্তবদা ঈরৈমা লাইরেম্বী নঙোন্দা খুরুম লৈতায়জরগা তিনকোক লাইকোকপীয়ু হায়না পাউমেনবীরগা ঈরৈমা লাইরেম্বীবু মফম অসিদা থম্বীরম্লে। অসুম্না পাউমেন য়াথং পীবিরগা ঈরৈমা তুংওইননা হিয়াঙ হোল্লক্লে। অসুম হোল্লকপনা হৌজিক্কী মোংবা হনবা (হানবা) উমংলেল মপা য়ৌরকপদা লেমলৈ ঙানা মোংবগুম ঈরৈ ঈপোম কননা মোংলক্লে। লেমলৈ ঙানা মোংবা ঈপোমগুম্বা অদুবু উবদা লাইনীংথৌ সলাইলেল শিদবনা হায়রক্লে - মফম অসিদি সলাইলেল শিদবা ঐগী খুভম ওইনা লৈরসনু।

লমলেল লমদম লৈনুংশি অসিবু মোংবা হনবা (হানবা) তুংলমচৎতা খঙনহৌরসনু। তুংগী চাদোন শুদোনশিংনা নৱা (অঙাং) না শোন্দম নাদম্বদা সলাইলেল ঐগী মকাই অসিদা (হৌজিক হনুমান লাইশঙগী মনিং থংবদা লৈসৌপুং অসিদা) খয়োম লাক্তুনা থৌনিজৌ তিনকোক লাইকোকচগনি। মিংচৎ মিংফাওনিংসিসু থৌনিজৌ-ও! অসুম্না পাউতাক পাউমেন পীরম্লগা লংমাইচীং মায়কৈ তম্না হিয়াঙ হোল্লক্লে। অসুম হোল্লকপনা লংমাই চীং চীংখোঙদা ৱাইথুংলরে। কোয়রৌ নোংজা অদুবু লংমাইচীং হায়না মিংথোল্লে। ইনুং ঙাল্লবগা লাইনিংথৌনা চীং কাই হায়বদগী নিংথৌকাবা হায়না মিংথোল্লে। ঈনুং ঙাল্লবগা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী সরোই অতোনবী অহুম মানা লংমাইচীংগী লৈচাক খোৎখরে, মালেম ফাওবা ঙমদ্রে। মতাং অদুদা লাইনিংথৌ পাঙ্গলবনা হুৎতংঙা সাইওল তৌদুনা চীংনুং হুৎপু হুৎথোক্তুনা লাইচা ঈশিং চিথোক্লে, মালেম লৈসা ফাওরে লৈপাক উরে। মালেম লৈসা ফাওবা উবা কোয়রৌ নোংজা অদুবু লৈপাক পোকলে হায়বগী লৈপাকপোকপা হায়না মিংথোল্লে। মালেম লৈসা ফাওরবদা লাইনিংথৌ শিদবনা অকংবা লম থিরক্লে, ময়েক লানা কংকা লমলেন লমদম নিংথিবা থেল অমা থেংনরে। লমলেন লমদম অদুবু 'কংলা থেনবুং' হায়না কোলোইরে, কংলা থেলবুং মফমদা ঈমফম শেমদুনা ঈম কৈ শারে। ঈম কৈ (যূম) শাবা কোরৌ নোংজা অদুবু ইমশাকৈশা (যুমশাকৈশা) হায়না মিংথোল্লে। কংলা লাইফম মফমবু 'কংলৈপাক' হায়না কৌখ্রে। কংলৈপাক কৌবা মফমবু লাইনিংথৌনা তাইবঙ চাদোন শুদোনগী লৈপাক ওইহৌনবা হায়দুনা শাকোন্ননা শেন্দুনা থম্বীরে হায়বগী কোয়রৌ নোংজাবু শকোলশেন হায়না মিংথোল্লে। ঈনুং ঙাল্লগা লাইজ ঈশিং ইরাই লৈমনা ইরায় লায়না খংকং কংথখি হায়বগী কোয়রৌ নোংজা অদুবু ইরাই (ঈলাই) হায়না মিংথোল্লে। ঈনুং ঙাল্লগা লাইগী মহয়বু লৈমলেল শিদবীগী ফুহিং শিয়োমনুংদা চা ওইনবা থাঙদোকখিবা (চারী ঈপাল থাখিবা) কোয়রৌ নোংজাবু থাঙচা (থাংজা) হয়না মিংথোল্লে। অসুম তৌনা লাইনিংথৌ সলাইলেল শিদবনা নুমিৎ চয়োল তরেৎকী মমিং থোনবীখি। ঈনুংলোন-লাইনিংথৌ সলাইলেলগী কোক্তগী হী অদুনা য়াঙদা (য়াংলেন্দা) কুমথরক্তুনা হিয়াংথাং কৌবা নাখাংদা ঙাইহাক পুংগোই পল্লম্নগা লংমাইচীং কৌবা মীৎলু নাপোমদা থুংলবা মতম অদুবু লংমাইচীং কৌই। অদুদগী মীৎ নহাদা কারক্তুনা নমু মীগী মশক ওইনা মিৎনহা অনী লোঙদুনা লৈরম্ববু নিংথৌকাবা কৌই। অদুগী কিন্থখিদুনা তাইবঙ লৈসা (লৈপাক) হকচাং ওইখিগদবা হী অদুবু লৈপাকথোকপা কৌই। অদুগুম্বা তাইবঙ লৈসা (লৈপাক) হকচাং অমা ওইরক্তদৌরিবা অদুগী মনুংদা লাইগী ঈম (ময়ুম) ওইনবা ঈম কৈ শাখ্রে হায়বগী ঈমশাকৈশা কৌই। অদুম ওইবা তাইবঙ লৈসা হকচাং ঈলিক অদুবু চেৎনা কোনশিন্দুনা শেন্দুনা থম্বীরে হায়বগী শগোলশেন কৌই। অদুগুম্বা শা হকচাং ইলিক অদু লাই মহাক য়াওরে হায়বগী ইরাই কৌই। অদুগুম্বা লাইগী মহয় অদুবু ইমা লৈমলেল শিদবীগী ফুহিং সিয়োমনুংদা চা ওইনা থাংদোকখি (চারি ঈপাল থাখি) হায়বগী থাঙচা (থাঙজ) কৌই।।০।।

মালেমগী মীয়াম্না খঙনরিবা নুমিৎ তরেৎনি মমীং (১) সন্দে হায়বসি সন (নুমিৎ) কৌবা লাই মমিংদগী লাকপনি। (২) মন্দে - মুন (থা) কৌবা লাইগী মমিংদগী লাকপনি। (৩) টুইসদে - টুসকো কৌবা লালগী লাই মমিংদগী লাকপনি। (৪) ৱেদনসদে - ৱেদন কৌবা নোং নুংশিৎকী মমিংদগী লৌবনি। (৫) থর্সদে - থোর কৌবা অখাক অরাওবগী লাইরেম্বীগী মমিংদগী লৌবনি। (৬) ফ্রাইদে - ফ্রায়া কৌবা নুংশিবগী লাইরেম্বীগী মমিংদগী লৌবনি। (৭) সেটরদে - সেটরন কৌবা মতমগী লাইগী মমিংদগী লৌবনি।

---

# মণিপুরসু নিংথিনা শেম্বীরবদি টুরিষ্ট সেন্টর অমা ওইহনবা য়াগনি

নুপী পাউমীশিংগী শিল্লোং টুর/রত্নেশ্বরি গোশ্বামি

**ওল** মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা মমাঙ থা জুলাই ৩১ দগী হৌরগা ওগষ্ট ৫ ফাওবা নুপী পাউমীশিংগী ওইবা টুর প্রোগ্রাম অমা শিল্লোংদা চৎখি। মমাঙ চহীদগী হৌরগা অমজুগী প্রসিদেন্ট অমদি মরু ওইবা ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী মীহুৎ য়াওনা চহীগী ওইনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা খোঙচৎ অসিদা হন্দক্তি তোঙান তোঙানবা মেদিয়া হাওসকী নুপী পাউমী ১১ না শরুক য়াখি। নুমিৎ মরিনি চুপ্না শিল্লোংদা লৈরিঙৈদা মেঘালয়াগী মফম কয়াদসু কোয়না চৎতুনা য়েংলকখি।

এসিয়া মহাদেশকী মনুংদা খ্বাইদগী নানবা ভিলেজনি হায়না অখন্নবা মনা ফংখিবা মৌলিননোঙ (Mawlynnong) দসু চৎখি। হেক য়েংবদা তরু-তনানবা খুঙ্গং অদুদা পূন্না যূম ৯০ লৈ। অদুগা অপূনবা মীশিংনা ৫০০ রোমনি। এসিয়াগী অনানবা খুঙ্গং অমনি হায়না মৌলিন নোঙবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা লেমজনিংঙাই ওইবা মনা পীরকখিবসিনা কুমজা ২০০৩ দনি। মৌলিন নোংগী ফজবা খরা হায়বা তারবদি, পোৎ খুদিংমক মফম চানা চানা থম্বা, হৈ-লৈ মতম চানা থাবা, লমদমদুগী ওইবা মনা-মশিং ইন্দিজিনস ওইবা পাম্বীশিং নিংথিনা য়োকখৎতুনা যূমগী অকোয়বদা থাবনচিংবা পনবা য়াই। যূমসু পীক্তক পীক্তক শাই। অমোৎ-অকায় অমত্তা উরক্তে। উপাল-ৱাপাল মরাং কায়না হৌই। অদুবু লম্বীদা উনা-ৱানা অমত্তা চাইথোক্তে। মহৌশাগী ওইবা চীং লমদমগী ফজবা মরক্তা, খুঙ্গংদুগী তরু-তনানবনা টুরিষ্ট কয়াগী পূক্লিং চিংশিনফমসু ওইরি। হায়নবা লৈ, শিল্লোংদা লাক্লগা মৌলিন নোং (অনানবা খুঙ্গং) য়েংদনা হল্লবদি চৎলুবগী ৱাহম্বোক লৈতে হায়না। ক্লিনেস ভিলেজনি হায়না লাউথোকখিবদগী ঙসিদি মালেমগী মীওই কয়ানা মেঘালয়াদা থওইনা কোয়বা চৎনরি । অসিদসু নত্তনা মহৌশানা শিল্লোংদা য়েংবা য়াবা ফজবা মফম কয়া অমসু লৈরি। মতাংসিদা ঐখোয়না চিরাপঞ্জিগী ৱারী চিংথরম্বা য়ারোই। অসুক কুইনা হিংলকপসিদা শিল্লোং মনুংদা নুমিৎ খরনি লৈদুনা ভিজিট তৌরুবদি হন্দক্কীসিনা অহানবনি। চিরাপঞ্জিগী ৱারীসু মমাঙদা কয়ারক তাখ্রে। অদুবু মফমদু য়ৌশিল্লুদবনা কয়ামুক ফজবগে, লোয়ননা মহৌশাগী ঙহাক ঙহাক্কী ওইবা শক্লোনশিং করম তৌবগে হায়বদুদি খঙদে। হন্দক্তি পুং কয়া ফমদুনা য়েংলকপনা খরগীমখৈ খঙবা ঙল্লকখি। চীং লমদম ওইবনা খঙহৌদনা লৈচিন মপৈ মপৈ পাইরকপা অদুদগী খংমম মমশিল্লক্তুনা নোং ওইনা চুথরকপা, মিৎকুপ খরদা তোঙান তোঙানবা শক্লোন কয়া উৎলকপদু তশেংনা নুংঙাইবা ফাওই। পূক্লিংদা ৱাখল কয়াসু মওল মওল খলহল্লি। মণিপুরদি টুরিষ্ট সেন্টর অমা ওইহনবা য়ারোইদ্রা? মালেমগী থুমহি চেন্দবা ফজরবা লোক্তাক পাৎ ষ্টেটসিদা লৈরি। কৈবুল লমজাওগী শঙাই, শিরোই লিলি, জুকো লিলি, চীং অমদি তম্পাক অনীমক্তা মিৎয়েং চিংশিনবা য়াবা মফম কয়া মণিপুরদা মরাং কায়না লৈরি।

মেঘালয়াগী মনুং হঞ্জিনবা টুরিষ্ট সেন্টর কয়াদা লৈহৌবা মফমশিংদা উ অমদি ৱাগী পোখোক্লা শাবা বেক, শান্নপোৎ মখলশিং য়োন্দুনা ইরায় লায়না হিংবগী পাম্বে ওইহৌই। পোৎফম মচা মচাশিংদা ঙহাক্কী ওইনা লাকপা টুরিষ্টশিংদা হৈ-ৱা, কিহোম্নচিংবা (মতম মতমগী ওইবা উহৈ-ৱাহৈ) ফজনা খোক্লগা প্লাষ্টিক




*এসিয়া মহাদেশকী মনুং চনবা খ্বাইদগী নানবা খুঙ্গংগী মনা ফংখ্রবা মৌলিননোঙ (২০০৩)*

খাউ অমদা মশুং মচা মচা হাপ্লগা থুম-মোরোক খরা চাইশিন্দুনা লুপা ১০/১০ দা য়োনবদু হরাউনা লৈদুনা পংচাদা চানৈ। টুরিষ্ট মফম ওইবনিনা অরৈবা মীসু, অয়োনবা মীসু মায়থোঙ মকা লোইনা লাম্মী। কিহোম অমনা লুপা চাম্মা হেন্না হেন্না য়োল্লমগনি। ঐখোয়গীসু লোক্তাক খোঙবান্দা তরু তরুবা শঙ মচা মচাশিং মফম চানা চানা শাদুনা থম্লগা শেমগৎপদা অতৈ ষ্টেটনা মণিপুরদগী করিসু হেনগদবা নত্তে। শেল লায়না তানবা য়াবা মহৌশাগী ফজবনা পীক থন্না লৈবা মফমসি টুরিষ্ট লাকহন্নবগী মতাংদদি ৱাখল থাদদবনা ঙসি লমদমসিগী ফজবা কনানসু খঙনদবনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৭

১। কবি অশাংবম মীনকেতন করি লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখিবগে?
২। 'ফাদোক অমগী শৈরেং' কবি কনানা ইবনো?
৩। 'লৈরোল চনখ্রবা থাজবা' গী অইবীদু কনানো?
৪। 'দ গাইদ' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১২, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।